## তদুবী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনগী লিষ্ট খূৎশিন্নখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ২৪ (ঐচএনএস):** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী ৪৯- তদুবী (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ফোঙখ্রবা ইলেক্টোরেল রোলগা মরী লৈননা লাকপা ক্লেম অমসুং ওবজেক্সনশিংগা লোয়ননা মরী লৈনরিবা ফোর্ম-৯, ১০, ১১, ১১এ অমসুং ১১বিগী কোপিশিং ঙসি ঈ আর ওগী ওফিসতা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, এ সী অসিগী এম এল এ, এন কায়সি লৈখিদবদগী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরক্লিবনি।

## খৎনবা খাম্বা চঙলুবা...

*লমায় ১গী মখা...* পান্দুনা শোক্লে হায়রি।

মরৈ য়েৎনবা অসিদা মহাক্কী মচানুপা রোবর্টশন (২৫) অমসুং জি বিশরুপ (৪৫) কৌবা মীওই অনী য়াওখি। মহাক্না খৎনবা খামদোক্লবা চঙলুবনি অদুবু নোংমৈনা পান্দুনা শোকপদগী বিশরুপসু লৈকায়গী মীওইশিংনা ফূবদগী শোক্তুনা রিমসতা পুখৎতুনা লায়েংখি হায়রি।

অদুগা রোবর্টশন অমসুং নলিনিনা রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নরি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লম্ফেল পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেশন চত্থবা হৌখ্রে। নলিনিদা পাল্লিবা নোংমৈ মরূ অসিবু কাপ্পকপা ওইরমগনি চিংনবা পিষ্টোল অমসু পুলিসনা রিকোভর তৌরে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 97.029772 |
| US Dollar | 85.339560 |
| British Pound | 113.541872 |
| Australian Dollar | 54.483358 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.705900 |
| Japanese Yen | 0.599040 |
| Malaysian Ringgit | 19.513642 |
| Singapore Dollar | 65.034759 |
| South Korean Won | 0.059474 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.757216 |
| Thai Baht | 2.552602 |

### ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

### GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f-08-04-25
**B/upto -16-04-25**
**Stock-684**
7am to 10am
First Come First Serve
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-13-03-25,**
VALID FROM 06-03-2025,
**STOCK: 324,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS) CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

### HL Poll

Q : BJPgi MLA khara pham ashidagi resign touragani haiba wapham sandoraklibasi toknga oigani haibada achumba wapham oiroidra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Kamjong districtki Kampal amasung Haiyeng khulgi yumsing mei thadoklambana anouba Lan amamuk mayoknarakani haibada langadra?

Yes 40% No 60%

### অস! লোইরেহে!

- শোরাংখক্তদা লৈকায়দা লাকপা এম এল এ...



- গো বেক, গো বেক!

## য়ু জি ৮ ফারে, লুপা ১,৪৩,৯১০...

*লমায় ১গী মখা...* পাওবিতেক লমখাইদগী ফাবা আর পি এফ/পি এল এগী লৈফ্রাকপম সনাতোম্বা মীতৈ এলিয়জ পুরেম্বা (৩২), সিক্যুরিটি ফোর্সনা খোঙহাম্পাৎ ওর্কিদ ফার্ম মনাক্তগী ফাবা লৈমখোং চীংমাংদগী হৌজিক্লা মান্দব য়ূম্ফম রিলিফ কেম্পতা লৈবা আর পি এফ/পি এল এগী ফুরিৎশাবম সুনিল এলিয়জ নেগ্রো, এলিয়জ জেক্সন (৩৯) অমসুং পুলিসনা ঙসি রিমস হোস্পিটালগী জুবিলি হোলগী গেট মনাক্তগী ফাবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী কাদর অহুমনি হায়রি। কাদরশিং অদুদি ময়াং ইম্ফাল কোকচাইদগী হৈস্নাম থোমাস, লমশাং হৈবোংপোকপী ময়ায় লৈকায়দগী অরাম্বম তোমতোম এলিয়জ থৱায়লাকপা অমসুং কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দগী নিঙোম্বম মনাও মৈতৈ এলিয়জ থৌয়াম্বনি হায়রি। মখোয় অহুমদগী শেল ওইনা লুপা ১,১৩,৯১০, মোবাইল ফোন তরুক, মনি বেগ অনী, আধার কার্দ অনী অমসুং ফোর হ্বিলর গাড়ী অমা ফংলে হায়রি।

অদুগা লাইফ্রাকপম সনাতোম্বা মীতৈ এলিয়জ পুরেম্বদগীনা শেল ওইনা লুপা লিশীং ৩০, মোবাইল ফোন অমা অমসুং টু হ্বিলর অমা ফংলে হায়রি।

## য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর ভগিরথ ...

*লমায় ১গী মখা...* ডা. অনুপম মিশ্রা, কে ভি কে, থৌবালগী হেদ অমসুং সিনিয়র সাইন্টিষ্ট ডা. জেশমারানি সরাংথেম, মণিপুর লৈঙাক্কী লাইন দিপার্টমেন্টশিং ওইরিবশিংগী ওফিশলশিংনা ষ্টেট মিনিষ্টরবু খুদোল তমদুনা তরাম্না ওকখি।

কিষান মেলা অসি হৌদোকপগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা হায়, ঐখোয়গী লৌমী শিন্নামীশিংনা অহিং নুংথিল হায়বা থিদনা থবক শূরি। মখোয়গী মতেংনা ঐখোয় পূম্নমক হিংলি। লৈবাক অসি মাঙলোমদা চৎপা নৎত্রগা চত্তবা হায়বসি ঐখোয়গী লৌমী-শিন্নামীশিংগী খূৎতা লৈরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয়গী লৌমী-শিন্নামীশিং অসিনা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়বসি ঐখোয়না খঙগদবনি। লৈঙাক্কী থবক তৌরিবশিংদি থবক্তগী পোথাবা হায়বদি রিটাইয়র্দমেন্ট হায়বা অমা লৈরি অদুবু ঐখোয়গী লৌমীশিং অসিদি থবক্তগী পোথাবা/ রিটাইয়র্দমেন্ট হায়বা লৈতনা মশাগীদমক অমদি লৈবাক্কীদমক থবক শূবা লেপ্পে। অদুবু ঐখোয়গী লৌমী-শিন্নামীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং হেন্না মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্নবা অমদি লৌমীশিংগী শেম্লোক হেন্না লৈহনবা ঙম্নবগীদমক লৌমীশিংনা কে ভি কেগা খূৎশম্নদুনা চৎকদবনি। অনৌবা সাইন্টিফিক টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা লৌউ-শিংউবা তঙাইফদ্রে হায়রদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লসু লৌমী-শিন্নামীশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি হায়নসু লৌমীশিংদা ফোঙদোক্লমখি।

## পাঙথোকফম থোকপা মীখল...

*লমায় ১গী মখা...* খুঙ্গংশিংগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক থাদরকপা থবক্কী শেনফমশিং চুম্না অমদি ক্বালিটি লৈনা থবক শূদুনা চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ (আর দি এন্দ পি আর) গী দিরেক্টর ক্ষেত্রিময়ূম উমানন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরমদা লোয়শঙ অসিগী চীফ ফাইনান্স ওফিসর মাইস্নাম চনু লিক্লাইনু, দেপ্যুটি দিরেক্টর অবুজম রোমেন অমসুং পি এম য়ুগী কন্সলটেন্ট মোইরাংথেম সহদেবনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, নেশনল পঞ্চায়টি রাজ নুমিৎকী থৌরম অসি কুমজা ২০১০দগী হৌদুনা ইন্দিয়া পূম্নগী ওইনা পাঙথোরক্লিবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকসিদদি ঙসিগী নুমিৎ অসিসু মরূ ওইবা নুমিৎ অমনি। মরমদি পঞ্চায়টকী গ্রাসরুট লেভেলগী য়ূম্ফম অসিদা ইন্দিয়াগী মীশিংগী চাদা ৬০ রোম্না শরুক য়ারিবনি। অদুবু লাইবক থীবদি খুঙ্গংগী মফমশিং চাওখৎহন্নবগীদমক লৈরিবা পঞ্চায়ট ইলেক্সন অসি মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু অনৌবা ইলেক্সন হেক পাঙথোক্লবা মতুংদগীদি হান্না লৈরম্বা গ্রাম পঞ্চায়ট অমদি জিল্লা পরিষদকী তাঙ্কশিং অসিদগী অনৌবা ইন্টরমেদিএটকী তাঙ্কক অমগা চৎনদুনা খুঙ্গংশিং চাওখৎপদা হেন্না মতেং ওইরগনি হায়খি।

অমরোমদা, কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা মপূং ফানা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনরক্লিবা অসিগী পান্দম অসি মায় পাক্লবা গ্রাসরুট লেভেলদা লৈরিবা মীয়াম্না মপূং ফানা শরুক য়াবীয়ু অমদি লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টকী ফঙ্কস্নরিশিংনসু মীয়ামগা নক্লনা চৎপা মথৌ তাই। লোয়ননা লোয়শঙ অসিগী লৈরিবা ষ্টাফশিংনসু রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা খঙজ-হৈজ দবা অহলশিংদা তাকপী তম্বীদুনা পঞ্চায়টকী মরমদা মমুৎ তানা খঙহনবা তঙাইফদে হায়খি।

লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা থৌমী অমা ওইনা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা করিগুম্বা খরদি তৌরমগে হায়বগী ৱাখল খনসি। ফন্দ লাক্কদবা থবক খক ঙাইরোইদবনি। করি থবক তৌরগা মীয়ামগী য়াইফগনি হায়বগী লম্বীসু য়াৎসি। লোয়ননা চাওখৎ থৌরাংগী লম্বীরোমদা চঙশিন্নবসু হোৎনসি। গ্রাম পঞ্চায়টশিংগা মতম মতমগী ওইনা তাথোক তাশিন তৌদুনা চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরমগী মনুং চন্না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ পঞ্চায়টি রাজনা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন ৯দা পীবা নেশনল পঞ্চায়ট এৱার্দস-২০২৩গীদমক খনগৎলবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদসু মনা-মথুম পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মনা ফংলবশিংগী মনুংদা পোভর্টিফ্রী অমসুং এনহান্স লাইভলিহুদ পঞ্চায়টকী ওইনা হিয়াংলম জি পিনা অহানবা, সাইতোন জি পিনা অনীশুবা অমসুং চঙমদবী জি পিনা অহুমশুবা তাখি। হেল্দি পঞ্চায়টতনা টোপ দুসেরা জি পি, ইশোক জি পি অমসুং ৱাঙু জি পিনা মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

## মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকপা নুমিৎ ...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোকখিবনি। অদুগা ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিনা গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী অনীরকশুবা মীফম্নি।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদগী গভর্ণরনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অসি পুং ১ রোম চূপ্পা চত্থরবা মতুং নুংথিল পুং ৫ রোম তারকপদা লোইশিনখি।

মীফম অসিদা সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, দি জি পি রজিব সিংহনচিংবা সিক্যুরিটিগী মকোক থোংবা ওফিশলশিং শরুক য়াখিদ্রবসু সিভিল এদমিনিষ্ট্রেটিভকী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কুমার সিংহ, মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স অমসুং হোমগী কম্মিস্নর এন অশোককুমার, গভর্ণরগী সেক্রেটরিসু ওইরিবা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ অমসুং হেল্থনচিংবা লোয়শঙশিংগী কম্মিস্নর ওইরিবা সুমন্ট সিংহ য়াওনা প্রিন্সিপ্যাল সেক্রেটরিশিং, কম্মিস্নরশিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ সেক্রেটরিশিংনা শরুক য়াখি।

মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা এজেন্দা/ প্রপোজেলশিং পুথোক্তুনা খন্নখি। অদুগা খন্নখিবা এজেন্দা/প্রপোজেলশিংগী মনুংদা অয়াম্বনা মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোন অমদি এদমিনিষ্ট্রেশনগা মরী লৈনবশিংনা অয়াম্বা ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট (পে ইমপ্লিমেন্টেশন সেল) গী মায়কৈদগী কম্মিস্নর (ফাইনান্স) এন অশোককুমারনা থোরকপা চেরোল অমদা অখন্ননা ৱার্কিং ৱিমেনশিংদা ‘পেদ লিফ’ (তোলোপ ফংবা ছুটি) পীবগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ওফিস মেমোরেন্দমগা মরী লৈনবা ৱাফম য়াওনা মরূ ওইবা এজেন্দা অহুম খন্নদুনা অয়াবা পীখি। অহানবা এজেন্দা অসিগী মতুংইন্না অপীকপা অঙাং চেল্লিবা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংগী মনুংদা নুপী এমপ্লোয়ীশিং অমসুং নাইতোম লৈবা নুপা এমপ্লোয়ীশিংনা সর্ভিস তৌরিঙৈ মনুংদা য়াম্লবদা নুমিৎ ৭৩০গী ‘চাইল্ড ক্যের লিভ’ গী খুদোংচাবা কম্পিটেন্ট ওথোরিটি অমনা পীরগনি হায়না ৱারেপ লৌরে হায়রি।

অমরোমদা, অঙাং উনরবা মতুংদা অঙাং অদু ষ্টিলবর্থ নৎত্রগা শিবনচিংবা খুদোংচাদবশিংনা মমাদা মায়োক্ল হল্লকপশিংগীদমক য়েংলদুনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী নুপী এমপ্লোয়ীশিংগীদমক নুমিৎ ৬০নিগী স্পেশল মেটর্নিটি লিভ পীবদসু ঙসিগী গভর্ণর-ইন-কাউন্সিলগী মীফমনা অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

## কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক...

*লমায় ১গী মখা...* চিংশিনখ্রে।

ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা আর এস এসকী নেশনল প্রসিদেন্ট সোহন গিড়িনা হায়, মণিপুরদা টেররিষ্টকী থবক চত্থরিবা কুকি টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক পায়খৎপীয়ু। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাকসিদা টেররিজমগী থৌওং চত্থহল্লক্তনবা মাঙজেননা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলম্লবদি হন্দক পলহগামগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোক্লমদবসু য়াই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, টেররিজম হায়বসি লাইনীংগী ৱা নত্তে, লৈঙাক্লা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকনচিংবা চত্থবা মথৌ তাই। ইস্লাম লাইনীংগী মিংদা লৈরিবা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ খরনা মুস্লিম ফুরুপশিংগী মীংচৎ থিহনবগুম কুকি টেররিষ্টশিংগী থৌওংনা মণিপুরদা লৈরিবা কুকি ফুরুপকী মীওই খুদিংমকপু মীংচৎ থিহল্লে। মরম অসিনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা অমদি মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা লৈমিন্ননবগীদমক ৱারী শানবদা য়াদ্রিবশিংগী মথক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চপ চাবা এক্সন লৌখৎফম থোকই হায়খি।

মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিং মশাবু ঙাকথোকচনবা খূৎলায় পায়রম্মী অদুবু খূৎলায়শিং অদু গভর্ণরনা সরেন্দর তৌরক্লবা আপীল তৌবগা লোয়ননা ওথোরিটিদা শিন্নখিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি। অদুবু চীংগী মফমশিংদা অফবা মখলগী খূৎশু খূৎলায়শিং মশীং থিঙমদনা ঙসিসু অদুমক পায়রগা লৈরি। মসিনা ঈরাং থোক্লবগী মচাক অমা ওইবদা নত্তনা ৱরোইশিন অমা পুরকপদা অৱাবা ওইগনি হায়খি।

হৌজিক মণিপুরদা হাৎন-শুনবগী ঈরাংনা মরম ওইদুনা মীওই লিশীং ৬০ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা ৱানা লৈরি হায়রদুনা হয়েং মণিপুরগী গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনদুনা পোইন্ট ৩ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি অমসুং থবক ওইনা পাঙথোকপীনবসু তকশিল্লগনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

গভর্ণরদা পীশিনগদবা মেমোরেন্দমদা য়াওবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্দুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খঙদোকপা, য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওই লিশীং ৬০ রোম মশা মশাগী য়ুমদা তেক্তা কায়দনা হঞ্জিলহনবগা লোয়ননা মখোয়দা সিক্যুরিটি অমদি কম্পেন্সেসননচিংবা নীংথিনা পীবীবা অমসুং টেররিজমগী থবকশিংগী মায়োক্তা অকনবা এক্সন লৌগদবনি হায়বনচিংবা য়াওরি হায়রি।

## পুলৱামা ১সুং পহলগামগী ...

*লমায় ১গী মখা...* হাৎখিবা থৌওংবু লৈঙাক্লা লৌতুনরগা চত্থখিবা অমসুং থোকহনখিবা থৌদোক্লি হায়দুনা ফোঙদোক্লবা অসাম লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা ওপোজিশন পার্টি অমা ওইরিবা ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দেমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এ আই য়ু দি এফ) কী এম এল এ অমিনুর ইস্লাম পুলিসনা ফাখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা ৱাফম অসি মহাক্না ঙরাং ফোঙদোকপগী ভিদিও অমা সোশল মীদিয়াদা থাদোরক্তুনা ভাইরেল ওইরকখিবনি হায়রি।

মরম অসিনা নগাওন পুলিস ষ্টেশননা এম এল এ অসিনা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা অমসুং ঈরাং থোরকহন্নবা ইনশিনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লে হায়বগী চার্জদা সুও মোটুদা কেস এফ আই আর নম্বর ৩৪৭ ওফ ২০২৫ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি বি এন এস-২০২৩গী সেক্সন ১৫২, ১৯৬, ১৯৭ (১), ১১৩ (৩), ৩৫২ অমসুং ৩৫৩গী মখাদা লৌখৎপনি হায়রি।

কেস অসি লৌখৎপগা পন্থদনা মহাকপু অসাম পুলিসনা ফারে হায়না ঙসি অসাম পুলিসকী ওফিশল সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম ‘এক্স’ তা ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

এম এল এ অসিবু পুলিসনা ফাবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা পহলগাম টেরর এটেককী মতুংদা পাকিস্টানবু ঙাকথোক্লবা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা হোৎনরকপা মীওই পূম্নমক্কী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি। হৌজক ফাওবদা ঐখোয়না এম এল এ অমিনুর ইস্লামনা সোশল মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা ৱাফম অমসুং ভিদিওশিং থেংনরে। মহাক্না পাকিস্টানবু শৌগৎলে হায়বা খঙলে। মরম অসিনা মহাক্কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎকনি হায়খি।

অমরোমদা, পুলিসনা ফারবা এম এল এ অসিগী পোলিটিকেল পার্টি এ আই য়ু দি এফকী লুচিংবা মৌলানা বদরউদ্দিন অজমলনদি এম এল এ অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদগী লাপ্পা লৈখিবগা লোয়ননা মহাক্কী পার্টিনদি লৈঙাক্কীদমক্তা লেপ্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখ্রে।

অদুগা এম এল এ অসিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু পার্টি অসিগী ওইবা ৱাফম নত্তে। মসিগী মতাংদা মাঙজৌননা মীয়ামদা শেংদোকখ্রে। পার্টি অসিনা মতম পূম্নমক্তা লৈঙাক্লা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি। টেররিষ্টশিংগী লাইনীং লৈতে অমসুং অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং চত্থরকপা হায়বসি ইস্লাম লাইনীংগী মায়োক্তনি। মীওইশিং অদুনা ইস্লাম অমসুং মুস্লিমশিংবুসু মীংচৎ থীহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## পহলগাম মীহাৎপু য়ানীংদবা ...

*লমায় ১গী মখা...* কম্মিটি (এ আই ৱাই সী সী) অমদি মণিপুর প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি ৱাই সী সী)গী থৌমীশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগী খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা ৱাহং কয়া হংলকপদা পুলিসকা মূক্লখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবন মমাঙদা য়ুথ কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা টেররিষ্টকী থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাও কয়া লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখি।

খোঙজংলোইশিংনা বি টি রোদ তম্না থোরক্লবা হোৎনরকপদা মশীং য়াম্লবা পুলিস পর্সনেলশিংনা থিংবদগী নাকল অনীগী মরক্তা ঙাইহাক মূক্লখি। খোঙজং অসিগী খোঙজংলোইশিংনা ‘দাউন দাউন বি জে পি’, ‘নরেন্দ্র মোদি দাউন দাউন’, ‘অমিট শাহ রিজাইন তৌগদবনি’ হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউখি।

খোঙজং অসিগী মতাংদা এ আই ৱাই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি সরিফা রহমননা হায়, মণিপুরদসু চহী ২ রোম অসিদা হাৎন-শুনবগী ঈরাং থোরক্লি। বি জে পি লৈঙাক্কী মখাদা মণিপুর অমদি কাশ্মীর খক্তা নত্তনা ইন্দিয়া পূম্বা শাফবা মফম ওইদ্রে হায়খি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর অসি য়ুনিয়ন টেরিটরি ওইবনা হোম মিনিষ্টরগী মখাদা লৈবনি। মতম অমদা কাশ্মীরদা পামদবা থৌদোক থোরকপা মতমদা নরেন্দ্র মোদি অমদি বি জে পিনা কোংগ্রেস অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ডা. মনমোহন সিংহদা তাইনখিবনি। হন্দক থোক্লিবা টেররিজমগী থৌওং অসি কনানা থোকহনবনো হায়বা খঙনীংই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, টেরর এটেক চত্থরকখিবা মফম অসি বোর্দরদগী য়াম্না লাপ্পা লৈবা মফম অমনি। মফম অদু য়ৌনা টেররিষ্টশিংনা মতৌ করম্না লিৎশিল্লক্লিবনো অমসুং মীৎকুপ খরগী মনুংদা মখোয় থিবা খঙদনা মাঙখ্রিবনো হায়বা ৱাহং লৈঙাক্তা হংনীংই হায়খি।

টুরিষ্ট স্পোট অচৌবা অমা ওইরিবা মফম অদুদা পুলিস নৎত্রগা আর্মি পর্সনেলশিং করিগী দিপ্লোই তৌদবনো হংলদুনা ইন্দিয়াগী ইন্টলিজেন্স কদাইদা চৎখ্রে, মোদি অমদি অমিট শাহনা করি তৌরি হায়নসু হংখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মখোয়না পাউখুম পীফম থোকই। হন্দক্কী থৌদোক অসিমক প্লান তৌরগা চত্থরকপনি অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা টেররিষ্টশিং অদুগা পাউ ফাওনরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা পোকই হায়খি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী অৱাবা ফোঙদোকপা ওইনা অমসুং মখোয়গীদমক জষ্টিস ফংহন্নবগী দিমান্দ তৌরদুনা হয়েং কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা কেন্দল মার্চ অমসু পাঙথোক্কনি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

## এম পি বিমোলনা ৱেটলেন্দস কঞ্জার্ভেশন এন্দ মেনেজমেন্ট রুলস...

*লমায় ১গী মখা...* কুমজা ২০১৪ ফাওবদা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা রমসার সাইটস ২৬ লৈরম্লবা মতুংদগী ইন্দিয়াগী ওইনা অনৌবা রমসার সাইটস ৬৩ হাপচিল্লকখি। অদুগা চৎলিবা কুমজা ২০২৫ অসিগী ফেব্রুৱারী ফাওবদনা ইন্দিয়াগী ওইনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈবা রমসার সাইটসশিংগী মশীং ৮৯ য়ৌরকখি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৭তা থোকখিবা ৱেটলেন্দস (কঞ্জার্ভেশন এন্দ মেনেজমেন্ট) রুলস-২০১৭কী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ২৬তা মতম অদুগী য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ এনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা থোকপা নোটিফিকেশন নম্বর জি এস আর ১২০ (ঈ) না পীরকপা পাউতাক্কী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবা লৈঙাকশিংগী মায়কৈদগী মখোয় মখোয়গী ৱেটলেন্দশিংবু নোটিফাই তৌনবগীদমক পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না জন্যুৱারী ৩১, ২০১৮দা ফোঙবা মণিপুর গেজেট নোটিফিকেশনগী মতুংইন্না মণিপুরগীসু ‘মণিপুর ষ্টেট ৱেটলেন্দস ওথোরিটি’ (এম এস দব্লিয়ু এ) শেমখি। ওথোরিটি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টরনা চ্যেরপর্সন ওইবনি অদুগা চীফ সেক্রেটরিনা ভাইস চ্যেরপর্সন ওইরগা দিরেক্টোরেট ওফ এনভাইরনমেন্টকী দিরেক্টরনা মেম্বর সেক্রেটরি ওইবনি। ওথোরিটি অসিদা অর্বান দিভেলপমেন্ট, রুরেল দিভেলপমেন্ট, ফিশরিজ, ৱাটর রিছোর্সেস, পি ঐচ ঈ দি, টুরিজম অমসুং রেভন্যুগী সেক্রেটরিশিং, চীফ ৱাইল্ড লাইফ ৱার্দেন, মণিপুর পোল্যুশন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি, মণিপুর বাইওদাইভরসিটি বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি, মণিপুর রিমোর্ট সেন্সিং এপ্লিকেশন সেন্টরগী দিরেক্টর, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফিশরি এক্সপার্ট, সোসিও ইকনোমিক এক্সপার্ট, ৱেটলেন্দ ইকোলোজি এক্সপার্টনচিংবা ওফিশলশিংনা এক্স-ওফিসিও মেম্বর অমদি মেম্বরশিং ওইখিবনি।

মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুংইন্না শেমখিবা ওথোরিটি অসিনা ৱেটলেন্দশিংবু নোটিফাই তৌবগা লোয়ননা ৱেটলেন্দশিংগী লিষ্ট অমা থা অহুমগী মনুংদা শেম্বগা লোয়ননা ৱেটলেন্দশিং অসিগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা পনখিবনি।

মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুংইন্না ওথোরিটি অসি শেম্লবা মতুং ওগষ্ট ১০, ২০২১দসু মিনিষ্ট্রি অসিগী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা নেশনল ৱেটলেন্দ কঞ্জার্ভেশন এন্দ মেনেজমেন্ট রুলস-২০১৭না পীরিবা প্রোভিজনশিং থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহল্লকখি। অদুগা সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২৩দসু মিনিষ্ট্রি অসিমক্না ওফিস মেমোরেন্দম অমা থোক্তুনা রুল অসিগী মখাদা ৱেটলেন্দশিং নোটিফাই তৌনবা খঙহল্লকখি।

অদুম ওইনমক নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াদা ফ্রেশ ৱাটর লেক অমা ওইরিবা মশাগী পাক চাউবা স্কৱার কিলোমিটর ২৫০ রোমদমক ওইরবসু নোংজুথাগী মতমদনা স্কৱার কিলোমিটর ৫০০ ফাওবা পাকথোক চাওথোরক্লিবা লোক্তাক পাৎ য়াওনা মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা ওথোরিটি অসিনা ষ্টেট অসিগী ওইনা ৱেটলেন্দনি হায়দুনা নোটিফাই তৌবা মফম অমত্তা লৈরমদ্রে।

লোক্তাক পাৎ য়াওনা মণিপুরগী ৱেটলেন্দনি হায়দুনা ওফিশল ওইনা নোটিফাই তৌদুনা মফমশিং অসিবু কলহৌনবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা থৌওইনা শেমখিবা ওথোরিটি অসি খক্তা নত্তনা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অইবা চেরোলশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন পীরক্লবা ফাওবদা নোটিফাই তৌরমদ্রে হায়না পাউখুম পীরকখ্রে হায়না এম পি অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা থা অসিগী ২১দা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবদগী পাউচে অসিনা লোক্তাক পাৎ য়াওনা করিগীদমক মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিংবু নোটিফাই তৌরমদ্রিবনো হায়বগী খোঙ্গুল লীরুরে।

পনবা য়াবদি, রমসার সাইট ওইরে হায়না মিংথোন ফংবসিদি চুম্নগী ইন্টরনেশনল ইম্পোর্টেন্স ওইরে হায়বনি। লৈবাক অসিনা শেমজবা দোমেষ্টিক লো অমা ওইরিবা ৱেটলেন্দস (কঞ্জার্ভেশন এন্দ মেনেজমেন্ট) রুলস ২০১৭কী মখাদা নোটিফাই তৌদ্রবদি প্রোটেক্সন/কঞ্জার্ভেশনগী থবকশিং পায়খৎপদা লোগী ওইবা ঙাক্নৌ ফংলোই।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙগী দিরেক্টর ডা. টি ব্রজকুমারগা মহাক্কী ওফিস কাদা উনরুবদা মহাক্না হায়, মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিংবু ৱেটলেন্দশিংনি হায়দুনা দিক্ল্যর তৌবগী থবক অদু ষ্টেটকী থাক্তগী হান্না তৌগদবনি। মসিগী মতুংদা ৱেটলেন্দশিং অদুগী মরূ ওইবগী মতুংইন্না নেশনল লেভেলদসু নোটিফিকেশন থোক্কদবনি। অদুগা নেশনলগী থাক্তগী অমুক ইন্টরনেশনলগী থাক্তা ৱেটলেন্দশিং অসিগী মরূ ওইবশিং খঙহনবগা লোয়ননা ঙাক শেন্দুনা য়োকখৎপগী থবক পায়খৎনবা হোৎনগদবনি। অদুবু তাঙ্কক অহুম থোক্না নোটিফাই তৌগদৌরিবা অসি ৱেটলেন্দশিং খক্তগী ওইগদবনি। মরম অসিনা ইহান হানবদা ৱেটলেন্দশিং অদুবু মশক খঙদোকপা চঙই। মসিদা ৱেটলেন্দ অমা ওইরে হায়রগদি মদুগী ইকো সিষ্টম ফগৎহনবসু চঙই।

মালেমগী ওইনা য়েংবদসু ৱেটলেন্দশিং অসি মাঙখিবা, শিথরকপা অমসুং অমুক হন্না হিঙ্গৎহল্লকপা য়াওরি। শাংলবা চহী ১০০দগী ২০০ অমসুং ৩০০ ফাওবগী মনুংদসু মাঙখিবা য়াওই। মরম অসিনা ৱেটলেন্দশিং অসি কনগে হায়রবদি মখোয়দা মীৎয়েং চঙবগী মখা পোল্লি। অদুগা মীৎয়েং অসিগী মখাদা রিজুবিনেশনগী তঙাইফদবা ফাওবা লাকই হায়রি।

ৱেটলেন্দশিংগী মতাংদা থিজিল্লুবদা মণিপুরগী ওইনা হান্না ৱেটলেন্দ ১৫৫ রোম লৈরম্মী। মসিগী রেকোর্দ লৈরে। অদুবু রিমোর্ট সেন্সিং এপ্লিকেশন সেন্টরগী রিপোর্ট মতুংইন্না মণিপুরদা ৱেটলেন্দশিংগী মশীং ৫০০গী মথক্তা লৈরম্বগী ৱাফম থেংনৈ। মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা ফোঙবা গাইদলাইন অদুগা এটলাসতা য়াওবা দাটাগদা ঐখোয়না সর্ভে হৌরকপা মতমদা ফংবনা মণিপুরগী ৱেটলেন্দশিংগী মশীং ১৬৪নি। মসিগী মনুংদা ৱেটলেন্দ ২৩দি ইকোলোজিকেল প্রোটেক্সনগী থবকশিং পায়খৎলে হায়বগী রিপোর্ট লৌবা হৌরে। হৌজিক লৈরিবা ৱেটলেন্দ ২৩ অসিগী মনুংদা ফীভম খরা শোকচিল্লক্লবা ৱেটলেন্দ ৭ ফাওবদি কনবা ঙমগনি হায়না কনফার্ম তৌরে। অদুগা ৭ অসিগী মনুংদগী ৱেটলেন্দ ৪গীদি রিজুবিনেশনগী থবকসু হৌরে হায়রকখি।

দিরেক্টরনা মখা তানা হায়, হৌজিক ষ্টেটকী ওইবা ৱাফমদা ৱেটলেন্দ ৭ অসিগী নোটিফিকেশন থোক্লবা থৌরাং তৌরি। ৱেটলেন্দশিংনি হায়দুনা নোটিফাই তৌবা অসি হেক্তা য়াদবগী মরম লৈ। খরা কূপ্না থিগৎতবা য়াদে, সেরিজ ওফ ক্বালিফাই তৌদবা য়াদবা মরমশিং লৈরি হায়রদুনা দিরেক্টরনা হায়, হায়দোকপদা নুংঙাইতবা ৱাফম অমনা ৱেটলেন্দশিংগী মনুংদা পাট্টা পীশিনবগী সিষ্টম অমা লৈদুনা পাট্টা কয়া তাশিল্লম্বা, ফুরুপ মশেলগী মরক্তা চয়েৎনবা থোরকপা, য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বগী মতাংদা সেট্টলমেন্ট লোয়শঙদগী অচুম্বা রিপোর্ট পীরকপদসু মতম চঙই। ৱেটলেন্দশিংগী মনুংদা পাট্টা পীরম্বদগী ঐখোয়না নোটিফাই তৌরগে খনবা ৱেটলেন্দ ৭ অসিমকসু পাট্টাগী এনক্লোজরশিং য়াম্না লৈরমখি। সর্ভে তৌরকপদসু মীয়ামদগী অয়েৎ অপন মায়োক্লে।

অদুম ওইনমক হৌজিক মণিপুরগী ওইনা ৱেটলেন্দ তরেৎকী মনুংদা মরিদি মথৌ তাবা ক্লিয়ারেন্স পূম্নমক লোইরে। মসিগী মথক্তা লোগী ওইবা অয়েৎ অপন লৈতনবা মথৌ তাবা নোটিসশিং থারগনি। অদুবু খনগৎলক্লিবা ৱেটলেন্দ তরেৎ অসিগী মনুংদা লোক্তাক পাৎতি য়াওদ্রি। মরমদি পাৎ অসিদি হান্না রমসার সাইটকী মনুংদা চল্লে হায়দুনা কুমজা ১৯৮৪-৮৫দা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নোটিফিকেশন থোকখ্রবনি হায়রকখি।

ঐহাক্কী লোয়শঙগী মায়কৈদগীদি ৱেটলেন্দশিংগীদমক্তা থবক পায়খৎপা হৌরকপগী ৱানি। খ্বাইদগী মরূ ওইদুনা মকোক থোংনা লৈরবা ৱেটলেন্দশিংগীদি হান্নানা আইদেন্টিফাই তৌখ্রে। মরম অসিনা অমুক হন্না নোটিফাই তৌবা য়াদবগী মরমশিংসু লৈরি। কুমজা ২০১৭কী য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা শেমখিবা রুলস অসিগী মমাঙদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা রমসার সাইটস হায়না খঙনবশিংগীদি নোটিফাই তৌখ্রবনি হায়রি।

হৌজিক নোটিফাই তৌনবা অকনবা থবক পায়খৎলিবা মণিপুরগী ৱেটলেন্দ তরেৎ অদুনা জাইমেং ৱেটলেন্দ (কাংপোকপী), কাচৌফুং/অচাও মাকি ৱেটলেন্দ (কামজোং), উত্রাপাৎ (বিষ্ণুপুর), য়ারলপাৎ (ইম্ফাল ইষ্ট), ৱাইথৌ-ফুমনোমপাৎ (থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট), পুমলেন-খোইদুম পাৎ (ককচীং) অমসুং ইকোপ-খরুংপাৎ (থৌবাল অমসুং ককচীং) নি। মসিগী মনুংদগী অহানবগী ওইনা থবক পায়খৎলক্লিবনা উত্রাপাৎ, য়ারলপাৎ, ৱাইথৌ-ফুমনোমপাৎ অমসুং ইকোপ-খরুংপাৎনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মালেমগী ৱেটলেন্দশিংগী মতাংদা মার্গরেট মীদনা ফোঙদোক্লম্বা ‘ৱি দোন্ট হেভ এ সোসাইটি ইফ ৱি দেষ্ট্রোই দি এনভাইরোনমেন্ট, ৱেটলেন্দস আর নোট ৱেষ্টলেন্দস- দে আর লাইফ-সপোর্ট সিষ্টমস’ হায়রম্বা ৱাফম লৈরিবনি।

### সাইন্নে/EMPLOYMENT NEWS
### FOR MICROFINANCE INSTITUTION

We are hiring Fresh Candidates from Imphal West only
No Experience required    No Deposit required
Requirements :

1. **Recovery Officers** : 10 Nos. (Freshers)
2. **Credit Officer** : 10 Nos. (Freshers)
3. **Loan Officer** : 5 Nos. (Freshers)

**Minimum Qualification** : 12+ (Intermediate) passed
**Age Limit** : 20 to 30 Yrs.
**Salary** : 5K-7K+Allowances+Incentives+Perks

Interested candidate can submit CV (Resume) on/before 26th April, 2025

**Contact No. : 7628046561**
Call timing (Mon to Sat 10 am - 4 pm)

HL-P/1771/24,25

### সাইনেট / হোকর খরা পামজে

য়ুম পাল্লবা চহী ২২ গী মথক ওইবা নুপা খরা ইশা ইশাগী শেম্লোক লম্বী লৈনবগীদমক হোকর খরা পামজে। অথুবগী ওইনা অকুপ্পা মরোল খুমন মশালাদা লাক্লগা খঙবিবা য়াগনি। থাগী ওইনা তলপ লুপা ১৫,০০০/- গী মথক্তা সাইদ ইনকম লৈগনি। হান্না লাকপদা খুদোংচাবা পীজগনি।

**মফম ঃ** খুমন মশালা চঙাঙ্গৈ মনিং লৈকাই।

**Phone No : 9485292883**

HL-P/1787/24,25

### ALL MANIPUR CONTRACTORS' ASSOCIATION FORUM
### মীফমগী খঙহল্লক/MEETING NOTICE

AMCAF/M-22-23/010 : This is to notify to all the contractors' of All Manipur Contractors' Association Forum:-

i) All Tribal Contractors' Association Manipur
ii) Manipur Hill & Plain Contractors' Association
iii) All Manipur P.W.D. Contractors' Association.

That an Emergency Meeting of the All Manipur Contractors' Association Forum will be held on Friday 25th April, 2025 at 2.00 p.m. at Manipur Press Club Majorkhul, Imphal to transact the following agenda.

**Agenda :**

i) To discuss for PMGS-III NIT (Tender)
ii) To discuss for Mode of Bill payment process.
iii) Misc.

All the concerned Contractors' and Sub-Contractors' are therefore requested kindly to attend the meeting in time without fail.

**Sd/- Convenor,**
All Manipur Contractors' Association Forum
# 9612934075

HL-P/1785/24,25

### মাংখ্রে/লৌফম অমা য়োঞ্জরি

ককচিং ইরেংবন্দ সড়ককা নক্লবদা শঙম অনী (লৌরাক অমা) অথুবগী য়োঞ্জরি (থাদোকচরি)। পাম্বীবশিংনা পীজরিবা নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

**Contact No. 8729895343, 9863044104**

HL-P/1723/19,20,21,23,24,25